# ৱাখল খনবা শাশিংবু শঙ্গোন্দা হোইজিল্লুঙৈ...

ইজরিবা ৱারেংসি ৱাখলনা শাগৎপা, ইমাজিনেসনগী থৌদোক-ৱাথোক নত্তে। মীৎমাংসিদা থোক্লিবা থৌদোক ঙাক্তনি। ঐনা থেংনখিবা, ৱারেংসিদা পল্লিবা থৌদোকশিং অসিগুম্বা ময়ামসু থেংনবীরমগনি লৈকায় লৈকায় খুদিংদা। অঙকপা, তাঙনা থোকপা থৌদোক অমা নত্তে। মরু ওইবা থৌদোক অমা নৎত্রবসু খনগত্তুনা লীরিবগী মরম লৈ। ঐগুম্বা মীচম-মীয়ামদা লীনীংলুবা নত্তে। লৈঙাকসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা খরা, অচৌ-অশাঙ-ওফিসর খরগী মফমদনি লীরিবা। খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা, উনা-উনা উশিন্নদবা, তৌফম থোকপদু তৌরক্তবা থৌওং খরা উবসিদা অপান্ননা হায়নীংলকপনি, মমীত্তা খুদোম্বী থিন্নীংলকপনি।

অশেঙবা ৱারী ওইরবসু, থোক্লিবা থৌদোক ওইর'সু হকথেংনরিবা মমিং মথা লৈফমনচিংবা অদুদি লোৎশিন্দুনা থমজগে। মীঙোন্দা লীথোকপদা লেমজবা ৱারী নত্তবনা, মখোয় মশাগী মমিং মথা ফোঙদোক্লুবা ৱারৌখিনি। তৌফম থোক্তবা থবকনি। ইশাগী ৱারী ওইরম্লবা, লীথোকচরমগনি পূম্নমক তেংনা।

ৱারীসি, ঐগা লুনা তিন্নবা, অঙাং পিশক ওইরিঙৈদগী ঙসি ফাওবা চারে-থক্লে-কোয়রে থানদনা লোয়নরক্লিবা মরুপ অমগীনি। কোরোনাগী চৈথেং ফংদুনা, ঐনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা কোভিদ-১৯-ভাইরসকা কন্না লানবা পারিঙৈ তোয়না ফোন তৌরক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপীরকখিবা মরুপনি। 'ঙসিগী করি মথেলনো... তূম্লবরা' হায়নফাওবা হংনরিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা 'ৱাটসএপ'কী খূথাংদা অতেনবা পাউজেল (সোর্ট মেসেজ) অমা ফংখি ... 'ঐগী পালি লাক্লমাল্লে, কোভিদ চঙলকপগী খুদম ফংলে'...। অহিং অমা, ৱাটসএপ মেসেজ য়াম্না লাকমনখিবনা খোয়দৌ শাউগৎখিবদগী য়েংলরোই খন্না য়েংখিদবদুদা মাগীদুসু য়েংহৌদ্রে। নোংঙাল্লগা ফোন তৌরুবদা হায়রকখি ... 'টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা লৈঙাক্কী টেষ্টিং সেন্টরদুদা টেষ্ট তৌরুরে রিজল্ট ঙাইরি' ...। ঐহাক নীংজিং মাংজিংনখি। ববিনা'গুম্বা প্রাইভেট সেন্টরদা তৌরম্লবদি পুং অনীগী মনুংদা ফংলমগদবনি। অদুবু, মহাক থোইনা ৱাবা তৌখিদে ... 'কৈসু তৌবা নত্তেদা, চুম্নসুম লোক খরা খূবা, লাইহৌ খরা হৌবসিখক্তনি, কোরোনা ওইরমদবসু য়াই, হীদাক চারে, মরাইনা ফজখিনি, চেকশিন থৌরাং ওইনা ঐহাক ইথন্তা ঐগী কাদা নায়তোম লৈরে, কনামত্তগা শোক্লা শম্নদনা'...। 'অদুম্না লায়না লৌগুমসি, অহানবা সিম্পটম (লায়ওং) উৎপা হৌরকখিবা নুমিত্তুদগী কূপ্না ওবজার্ভ তৌরগা মঙা-তরুক-তরেৎনিফাওবই মনুংদা লায়ওংদু অমুক হন্না উৎলক্লবা/লাইহৌ অদু হন্দ্রবা, ষ্টেরোইদনচিংবা দরকার ওইরক্লগনি, ডাক্টর অমগা কন্সল্ট তৌ' হায়বা ডাক্টর 'মেথিউ ভর্গিজ' গী পাউজেলদু স্যের তৌখি। ইশামক্লা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্স'তুগী ৱারী লীখি। তত্তনা পাউ ফাওনখি। 'টি জি' গী টেষ্ট রিজল্ট'তু চয়োল অমা হৌখ্রবসু লাক্তবদুদা 'নেগেটিভ ওইদুনা থারক্ত্রবনি' খন্দোকখি। চত্তুনা হংলুচো হায়বদসু ফোন্দা মেসেজ থারক্কদবনি হায়দুনা চৎখিদ্রমাল্লে। অহাওবা এঙ্গাং চানীংলক্তবা, হাউরম্বা মথেল হাওরক্তবা, লাইহৌদুসু হন্দবা... কোভিদ-সিম্পটম ময়েক শেংলকপদুদা 'রিমস' তা চত্তুনা টেষ্ট তৌরুবদদি পোজিটিভ ওইরমদুনা হোস্পিটালাইজ তৌরে... টেলিফোন'দা হায়রকপনি।

রিমস'তা হোস্পিটালাইজ তৌদুনা ওক্সিজেন-সপ্পোর্ট'তা লৈরবকান' টি জি' গী আর টি পি সী আর টেষ্ট -রিজল্ট, 'নেগেটিভ রিপোর্ট' লাকই হায়। কোভিদ-লাইচৎ নানীংদ্রবা কোক'তুদা চমম্নহন্নবা লাকখিবা পাউজেল অমনি। মতাং অদু য়ৌরবদি, লেমহৌরিবা ইমুংগী মী পূম্নমক টেষ্ট তৌথোক্তবা য়ারক্ত্রে। পামদ-পামদা তৌরুবদা খঙলক্লে - মচানুপা, মমৌ, মসু অমদি লোয়নবী ঙম্নমক পোজিটিভ ওইরম্লে। মচানুপী (লৈশাবী) দুমদি নেগেটিভ ওইরমদুনা হোস্পিটাল'দা মপাগী এটেন্দেন্ট ওইনা থৌগল তৌরি।

পাউ অদু তাবদা, করম্বা ৱাহৈনা ফোঙদোক্কদবনো খঙদবা ইথিল অমা থম্মোয়সিদা ফাওরক্লে - শাউনীংবা, পেন্দবা, ৱারৌবা, তূক্কচ্চবা - পূম্নমকসিনা পুনশিল্লবা ইহুল অমা। প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংবা শেল চঙই, লায়েং'মল য়াম্মী, পুবা-থাংবা ঙমদে হায়নরবসু - মফমদুদা ফংলিবা 'ক্বালিটি ওফ সর্ভিস' অদুদি গভর্ণমেন্ট-হোস্পিটালশিংদা ফংলিবসিগা চাংদম্নবা য়ারোই। ঐনা, লায়েংদুনা লৈরুবা লায়েংশঙদুদদি, পেসেন্ট পার্টিগী মী/থৌগল্লোই অমত্তা চঙবা/লৈবা য়াহন্দে। অনাবদুগীদমক তৌফম থোকপা পূম্নমক, নর্সশিংদুনা তৌগনি শরক-শিবা-নাইহন্দনা। অনাবশিংগী ময়ূমদই পীরকপা পোৎ-চৈ-অচা-অথক, পি পি ঈ শেৎপা ভোল্যুন্টিয়রশিংনা পীথোক-পীশিন তৌগনি। কোভিদ-মহীক চেল্লবা অনাবশিংদুগী থৌগল্লোই অমমম কোভিদ ৱার্দ'তুদা লৈহল্লবদি নারমদবা মখোয়দুসু নারক্নবগী অচৌবা-রিস্ক অমা লৈ হায়বসি - হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থাদোক্লিবা, মীয়ামদা নুংতিগী পাউজেল্লিবা ৱারোলদুদা ফোঙদোক্তনা য়াওজবনি। মশা তীক-তীক লাউরম্বা, নহা ওইরিবা, ইম্যুন কনবা মীওইসু মরৈকায়গী কোভিদ-টাস্ক-ফোর্স'তা য়াওরুবদগী নারকখিবা/শিবা ফাওবা য়াওখিবই ৱারী তাখরে। ওনরেবল সী এম'নসু লাউথোকপীখিবা তাখি ... 'কোভিদ-ক্যের-সেন্টর/হোস্পিটালশিংদা অনাবগী এটেন্দেন্ট/হেল্পর/থৌগল্লোই লৈহল্লরোই, চানবসু লেম্না পীরনি'...। অদুগা হৌজিক থেংনরিবা তায়ওন্নবা শক্তমসিনা করি? কোভিদ-ৱার্দ'তুদা লৈরিবা অনাবশিংগী ওক্সিজেন সিলিন্দরদুফাওবা (মপান্দগী মনুংদা) এটেন্দেন্টশিংবু পুশিলহল্লি। অদুগা, হীদাক-লাংথক-মাস্কনচিংবা পূম্নমকসু পেসেন্ট-পার্টিবু লৈহল্লি। পাউসিনা অচুম্বা ওইরম্লবদি, কোভিদ-না নারবা মীশিংগীদমক গভর্ণমেন্ট'না পীরিবা মতেংসি করম্বা এরিয়াদনো হংনীংঙাই ওইরক্লে। ইম্ফাল এরিয়া চিংলবসু লম্বী-থোং-চথোক-চৎশিনগী পাম্বৈ ফত্তবা মফম অমদগী মরুপ অমখক্লা, শাউনীংবা-পেন্দবা য়ান্নরবা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখি - কোল্লমসিগী খূথাংদা তাহন্নীংবা নাকোং য়ৌননবা। পাহন্নীংবা মখোয়নদি ৱারেং অসি পাবীগনি থাজদে। অদুবু, তাবীবা/তাবীদবা হায়ফম থোকপদুদি হায়বা ফৈ খন্দুনা ইরিবনি। লৈকায়দুগী ইমুং অমা, মীকোক লোইনমক পোজিটিভ ওইদুনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরম্বদগী, খরা হেন্না সিরিয়স ওইরক্লবা অহল 'মতৈ-মনাও' দুনা মমৌনুপীগী মতৌ য়েংবা ঙমদ্রদুনা মচানুপাদা হায়রকই হায়, 'ইবুংঙো, ঐখোয় পুল্লপ শিদৌ শরুক, নখোয় ঈংনা, পালহৌরো, ঐখোয়বু অনাবা ময়াম থম্ফমদুদা পাম্বৈ অমা তৌদুনা অমুক্তা থিনবীয়ু'...। লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা, কোভিদ-কা মরী লৈনবা থৌরাংশিংদুই মনুং চনবা, হোস্পিটাল এদমিসন অমসুং ট্রান্সপোর্টকী মতেং পাংনবা পীবা মোবাইল ফোন নম্বরদুদা, অনাবদু হোস্পিটালদা পুখৎনবা 'এম্বুলেন্স' অমত্তং থাবীরক্লবা ফোন তৌরুবদা ওফিসরদুনা খুল্লকই হায়, 'হোস্পিটালদা এদমিসন ফংলবা অনাবশিংদুখক্তবু হোস্পিটালদা পুনবা এম্বুলেন্স থাবা, ঐগী ইথৌনি... কোভিদ-নারবা মীশিংবু কোয়পু পুদুনা হোস্পিটাল-এদমিসন থিবদুদি ঐগী ইথৌ নত্তে, আই'ম সোরি'...। মণিপুরগী যূমকোক খুদিংমকসিবু জীপ-কার লোয়নরবা? অদুগীসু মথক্তা কর্ফিয়ু চৎনরিবনি, কদাইদই গাড়ী/টেক্সি ৱায়রুনি? সঙ্গ-লৈবা, টেলিফোন কোল অমদা হোস্পিটাল-এদমিসন তৌবা ঙম্বা মখোয়দি মরন্নাই গাড়ীসু লৈ, লিশীং অনী অহুম পীথোক্লগা প্রাইভেট-এম্বুলেন্সসু ৱায়বা ঙম্মী। এদমিসন এন্দ ট্রান্সপোর্টকী ইন-চার্জ ওইরিবা ওফিসর, কোভিদ-ক্যের-সর্ভিস'তা মহাক্লা লৌরিবা থৌদাং ৱাহং হংনীংঙাই ওইদবরা? মহাকখক্তা নত্তে, অতৈ সর্ভিসকীদমক পীরিবা নম্বরশিং, অনাবনা তঙাইফদবা তানফমদা তৌরুবদা পায়রক্তবসু কোঙ্গায়নি। ওইরম্বা য়াই - টেলিফোন কোল তোয়মনখিবনা পায়নীংলক্তবা। তল্লকপা নৎত্রগা ৱারকপা। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমমমগী, কোভিদকী ৱা তানফম ওইবা ডাক্টর অমমমগী ফোন নম্বর পীরিবদুসু অমহানি। পূম্নমকপু পেলহনবা ওইথোক্তে অমা ফংদ্রবসু অমদা তৌনবা, য়ামদ্রবদা অনীদি থম্বীবা ফবনি।

অসুম্না মথৌ মশক খঙদবা, অমসু অমসু লান্নবা মী মরক অসিদা কোরোনা'না নাবা অমসুং শিবা মশীং হেনগৎলক্লিবসি থিংনবা, ইংরাজি ৱাহৈদা 'টু ব্রেক দ চেইন', মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্লা থম্লকপা 'কর্ফিয়ু' ফেল ওইরকপদগী হেন্না কনবা 'টোটেল কর্ফিয়ু' জুলাই ১৭তগী নুমিৎ তরানি চৎনরনি লাউথোকখি। অমুক্তা উখিদ্রিবা লম্বীগী শক্তম অমা উরকখি। খন্নখি-হন্দক্কীসিদি মায় পাক্লবা য়াই। অদুবু চাতরুক-চাতরেৎকী চাংদা লৈরম্লবা কোভিদ পোজিটিভ কেস মশীং লিশীং অমমমগী চাংদা নুমিৎ খুদিং হেনগৎলকখি। কোভিদ-না শিবা মীশিংসু চাংচত্তা তরাদগী কুনফাওবা। কন্ত্রোল ঙমদ্রে খঙবদগী, 'টোটেল কর্ফিয়ু' চয়োল অমগা শাংদোকখি।

তানফম অসি য়ৌরবদি ৱাহৈ অমা হায়নীংলক্লে - কোভিদ পুদুনা চৎলিবা অমদি মীয়ামদা য়েল্লিবা মীশিংসিবু ময়ূমদা হোইজিন্দুনা থম্লগা, 'মপান থোক্লক্কনু ফূগনি-য়ৈগনি-চৈরাক পীনি-ফাইন লৌনি' কিহনবখক্তনা য়ারোই। মখোয় করি চাগনি? কদায়দগী লৌরুনি? মখোয়গী চান-থক্লবা ময়ূম-ময়ূমদা থিনগনি হায়খিবদু কনানা, কদায়দা কনাগী যূমদা চরা কয়াগী থিনখ্রবগে? নুমিৎ তরানিদি হায়রুনু, চরা অনী চখম্নরকপদা যূমলোন কৈরোন্নবদগী মপুক থন্নবা, করি লোন্না লৌসিগে থিনরিবা মীওইবনি। শূফম নোম্ফম থিরকপা হৌনশানি খঙদবরা? কয়াদি কুইরে শিন্মীগী শিনশঙ থিংখিবা! অদুগীসু মথক্তা, লিশীং লিশীং থোরক্লিবা পোজিটিভ-কেস ময়ামসি, ময়ূমদগী হেন্দোকহন্দনা থমখ্রবা কাঙবুদুগী মরক্তইনি। মখোয়দু কদায়দা করম' লৈরম্বগে-হায়বগী খোঙ্গল-লীবই থবক্তুদি কনানা তৌবগে? ইমুংদা ছো লোন্দুনা থম্লগা পোজিটিভ কেস মশীং হন্থরক্লোই। তৌফম থোকপা খরা তৌদ্রি হায়বসিমদি লৈঙাকসিসু খঙফম থোক্লবনি। তরানি চারম'-থক্লম খঙহন্দনা থম্লুরে, চয়োল অমগা মখা তানা থমদ্রিঙৈ মরক্তুদা পুং মরি/মঙাতসু মচিঙাক থিবা থোকহল্লম্মুদনা! মদুসু তৌনি খঙদবা! ফূনি-চৈনি-য়ৈনি হায়বদুমক খনবা, কর্ফিয়ু থুগায়রগা থোরকপা কাঙবু ফারগা চৈরাক পীববু কুম্মৈগুম্না লৌরিবা... নত্তে, ঐখোয়সিবু শা-ষণগুম উবীরব্রা, লৈঙাক পায়বা চহী মঙাগী লীলাগী নিংথৌ খরসিনা? হংসি অমুক্তা খেঞ্জেল হৌনা।

*-ইন্দ্রকুমার*

# নৌহৌনা নীংশিংলুবদা 'মরৈবাক মজাতিগীদমক্তা কখোকখ্রবা হেমাম নীলমনি সিংহ' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

লাইরিক্কী মমিং :-
**মরৈবাক মজাতিগীদমক্তা কখোকখ্রবা হেমাম নীলমনি সিংহ, ২০২১**
অইবী :-
**কিয়াম তম্পাকলৈমা দেবী**
অফোঙবা :-
**ডা. হেমাম প্রিয়োশখি দেবী**
লাইরিক্কী মখল :- **পুন্সি ৱারী**
লাইরিক্কী মমল :- ২০০/-
লাইরিক্কী লমায় মশীং :- **১৫৩**




ঙসিসু তশেং-তশেংনা, তরু-তরুনা নীংতম ইহৌশিংগী পুৱারীগী লমায়দা ইদুনা লৈরিবা ৱারীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবসি মমা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবশিং অদুগীতা নত্তে মমা লৈবাক্কীদমক্তা চোকথবা লৈতনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা মশাগী ওইজবা থিদনা কখোকপতনা মশরুক ওইখিবা লুচিংবশিং অদুগীসু মফম চাউনা কল্লিবনি। অপিকপা লৈবাক কয়াদা, চাওরবা লৈবাক কয়াদা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা মপুন্সি কখোকখিবা লুচিংবা কয়াগী পুন্সি ৱারীশিং ঙসিসু লীনদুনা, শোন্নদুনা লৈরি। ফিদম্নফম ওইবা মখোয়গী কখোকপতনা মশরুক ওইখিবা পুন্সি অদু ঙসিগী মীরোলনা তমজনীংঙাইনি। মীয়ামগী য়াইফনা খনবনা পুন্সিগী পান্দমনি খনখিবা লুচিংবা কয়ানা মালেমসিদা লৈরিবা ঙসি ঐখোয়না চাওখৎলে হায়না খন্নরিবা লৈবাকশিং খুদম ওইনা চাইনা, জপান, রসিয়া, অমেরিকা অসিনচিংবা লৈবাকশিং অসিগী শেন্মীৎলোন, লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন কয়াগী চাওরবা যূম্ফমশিং চেকশিন্না থোনখিবা ঙাক্তনি। মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী তুংগী য়াইফনবা হোৎনখিবা পুকচেল চাওবা, থম্মোয় শেংবা লুচিংবশিং অদুদি পুৱারীগী লমায়দা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈরম্মী। লুচিংবগী মায়খুম উপ্তুনা মীয়ামগীদমক্তা কখোকপা অমত্তসু য়াওদনা য়াইফগদবা লম্বীদা করিসু তৌরমদবা মখোয় অদুদি অকাউবগী ঈরোলনুংদা তপ্না-তপ্না অদুম্মক লুপখিবা ঙাক্তনি। মীয়ামগীদমক শিংথানীংঙাই ওইবা অফবা থবক কয়া তৌরম্বা লুচিংবা কয়াদি ঙসিসু নুংশিনা শোন্নরি। কুমজা খুদিং তর্পন কৎনরি। মখোয়না থাংলম্বা খোঙথাং, মখোয়না চৎলম্বা লম্বীদা চৎলি লেপ্তুনা মরোই মনাও ওইবশিংনা। মণিপুরসু লুচিংবা কয়া পোকখি। নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরম্বদগী মীয়াম্না লৈঙাকচবা লৈবাক অমা ওইরকপা মতমদা লুচিংবা কয়া থোক্লকখি। হায়রিবা লুচিংবা কয়া অসিগী মনুংদা হেমাম নীলমনিসু য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা লুচিংবা অমনি। মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াই Vince Lombardi না হায়রম্লিবসি "Leaders are made, they are not born. They are made by hard effort, which is the price which all of us must pay to achieve any goal that is worthwhile."

হৌজিক মতমগী হৌরক্লিবা মীরোলদা লময়ানবা লুচিংবা কয়াগী পুন্সি ৱারী অমদি মখোয়গী ফীদম অদু তাকপী তম্বীবা অমদি স্কুল কোলেজশিংদা পাড়া ওইনা তম্বীবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে খল্লি। মমা লৈবাক মরমদম্মু নুংশিবা অমদি লৈবাক্কীদমক্তা করিগুম্বা অফবা থবক খরদং তৌহন্দুনা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহল্লকসি হায়রগদি পুৱারীগী লমায়শিং নৌহৌননা য়েংদবা য়ারোই। থম্মোয় শেংবা লুচিংবা কনা কনা লৈরি নৎত্রগা লৈরম্বগে হায়বসি নৈনবা মথৌ তাই। ইন্দিয়াগী নীংতম লানগী মতমদা আই এন এ য়াওদুনা লৈবাক মীয়ামগীদমক অখাকপা লৈতনা কখোকখিবা হেমাম নীলমনিগী পুন্সি ৱারী অমা অইবী কিয়াম তম্পাকলৈমনা মতম চঙনা রিছর্স কয়া তৌদুনা ইরকপসি লৈবাক্কী ওইনা মমল য়ামখ্রবা খুদোল অমনি। অইবীনা লাইরিক অসি হেন্না পাবদা নুংঙাইনবা অমদি পুৱারীদা থেংনখিবা তাঙ্ককশিং অদু হেন্না মরীক চুম্না পাউদম্নবা তাঙ্কক ২৬ থোক্লা খায়দোক্লি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মমাঙদা লৈরম্বা মণিপুরগী লম্বী-থোং, মহৈ-মশীন তম্বগী হীরম, খুন্নাইলোন, শেন্মীৎলোন অমদি পোলিটিক্সকী অহোংবা অওনবা লাকপা, অহানবা অমসুং অনীশুবা নুপী লান, আই এন এ মোইরাংদা থুংলখিবা, নীতম লান্মী ওইনা নীলমনি ইন্দিয়া নীংতম্নবগী লানফমদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা চঙশিনখিবা ঈহৌ। নুমিৎ ৫৮ খোঙনা লান্নিং হনবা য়াওদুনা রেঙ্গুনগী জেলদা থা ৭ লৈরুবা অদুগা ইন্দিয়া নীংতম্লবা মতুংদা নীলমনিনা পোলিটিক্সতা য়াওদুনা পুরকখিবা অহোংবা অওনবা অমদি শিংথানিঙাই ওইরবা থবক কয়া য়াম্না মরীক চূম্না বাইওগ্রাফি অসিদা ইরি। পাবা হৌখিবদা লোইবা ফাওবা পানীংহল্লি। অশেংবা পুন্সি ৱারীদা যূম্ফম ওইবা মুভি য়েংবগুম্না হৌখ্রবা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা নৌহৌনা চৎলুবগুম্না অপাবশিংদা নুংঙাইহল্লি।

মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক লাকপা মতমদা এদ্যুকেসনগী লম্‌দা অমদি কো-ওপরেটিভকী ঈহৌ অমা শাগৎতুনা মীচম মীয়াম্বু মান্নবা খুন্নাই অমদা অমদি নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমদা পুরক্লবা হোৎনখিবা এক্স দেপ্যুটি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইবিরম্বা হেমাম নীলমনি ১৯১২গী জুলাই ১০দা কোঞ্জেংবম লৈকায়দা লৈবা হেমাম থম্বালজাও অমদি কোঞ্জেংবম নিংঙোল হেমাম থম্বালগী অহানবা ফংজবা মচানুপা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। অহানবা মচা ওইবগী নুংশিনা ইবোহল হায়না কৌখি। মোইরাং মীয়াম্না মহাকপু থাঙ্গ্রাকপম ইবোহল হায়না খঙনৈ। অইবীনা লাইরিক অসিদা হৌখ্রবা মোইরাংগী পুৱারীগী লমায়শিং মথং মথং হাইদোক্লদুনা করিগী থাঙ্গ্রাকপম হায়না কৌরিবা হায়বদু মরীক চুম্না ইরি। নীলমনিগী অপোকপা মোইরাং চীংঙু থাংজিং ফম্নাইবা চৈরাপ লোয়শঙদা 'থাঙ্গলাকপা' হায়বা ফম অসি পুরমখি। পুকচেল চাউবা, মীনুংশি লৈবা অমদি কখোকপা হায়রিবা মগুণশিং অসিবু চেল্লবা অপোকপা অপোকপীনা মোইরাং মীয়ামগী খঞ্জবা মীয়ামগী অৱা অনাদা মতেং পাংবগী পুকচেল অদু মচা ইবুংঙো নীলমনিদসু চপ চানা চেল্লমখি। অপোকপা হেমাম থম্বালজাও অমদি মমা থম্বালনা লৈকায়দা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱা অনা অমদি ফৌ চেঙ ৱাৎতনবা হায়দুনা 'ফৌ মরুপ' হৌদোকখি হায়বনচিংবা পুকচেল চাউরবা থবকশিং পাঙথোকখিবগী মতাং ইরি। খুঙ্গং লমদমগী চম্লবা পুন্সি মহিং অমদি থবক শূনীং-চৎনীংবা নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমগী ভিজন অদু নীলমনিনা য়াম্না নহা ওইরিঙৈগী তাঙ্ককশিং ইরকপদা মরীক চুম্না য়াওরি। নীলমনি মোইরাংদা লৈবা গভর্ণমেন্ট এলপি স্কুলদা লাইরিক তম্লকখি মসিগী মতুংদা ইম্ফালদা লৈবা জোনষ্টোন হায় স্কুলদা মখা তমথখি। নীলমনি মশামক লৌবুক্তা কুমদুনা লৌরাং শূরকপগী তাঙ্ককশিং য়াওরি। অদুগা শিনফম ওইনা পায়দ্রবসু মহাক ফি তুবা য়াম্না হৈ। লময়ানবা হিজম ইরাবতকুম্না মহাকসু মীয়ামগী য়াইফনবা খনখিবা মোইরাং লমদমগীতা নত্তনা লায়রবা তোল্ল-তারবা মণিপুর মীয়ামগীদমক পোক্লকখিবা লুচিংবা অমনি। মহাক্লা তুবা ফি অদু অহোংবা মমলদা দুকানশিংদা য়োনখি। মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবদি মোইরাং কৈথেল অসি শানবা হোৎনবদা মহাক্কীসু চাউরবা থৌদাং লৌখি। হেমাম নীলমনি ১৯৩২দা ফাইরেম্বম নিংঙোল পুজারিগা যূম্বান পুন্সিদা খোঙদাখি। মচানুপী তরুক অমসুং মচানুপা অহুমগী অপোকপা ওইবা ফংজখি। মহাক্কী লোয়নবী পুজারী থোইদোক্লা ফিশা-লোনশাদা মমিং য়াম্না চৎখি। মীপুম খুদিংবু নুংঙাই য়াইফনা লৈহন্নীংবা ওইবনা নীলমনিনা ফাউন্দর সেক্রেটরি ওইদুনা 'মোইরাং সেবা সমিতি মরুপ' হায়বা অমা লিংখৎখি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মমাঙদা ওইরমগদবা মণিপুরগী লম্বী থোংগী ফীভমদু লাইরিক অসিদা উবা ফংই। হেমাম নীলমনিগী লমজিং মখাদা মোইরাংদা লম্বী কয়া থোনখি অমদি ঈশিং ঈচাও থোকপা মতমদা মীয়ামগী পাংবা য়াবা মতেং পাংখি।

পোলিটিক্সকী লম্‌দা থোইদোক্লা শিংথানিংঙাই ওইনা থবক কয়া তৌবদুতনা মহাক্কী অপেনবা হায়বদু ওইখিদে। মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিগী হৌরকফম ওইরিবা মোইরাংদা মশামক্লা লমজিংদুনা মোইরাংদা দ্রামাগী হোল লিংখৎনবা থৱায় য়াওনা হোৎনরম্বা তাঙ্কক অদু থেংনৈ লাইরিক অসিদা। অদুনা ১৯৪২দা মোইরাং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন লিংখৎখি। হায়রিবা দ্রামাগী য়ুনিট অসিনা 'অরেপ্পা মরুপ' শান্নখি। অসুম্না হেমাম নীলমনিগী মায়থোঙ য়াম্বা শক্তম অদু নিংথিজনা হিষ্টরিকেল রেকোর্দকা লোয়ননা য়াম্না মরীক চুম্না ইরি। নুপীশিংনা লৈবাক খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা থৌদাং লৌফম থোকই হায়বসি য়াম্না অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা ১৯৭৪দা ইম্ফালদা 'মণিপুর ৱিমেন কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদ' লিংখৎখি। মহাক্কী লমজিং মখাদা অসিগুম্বা কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক কয়া মণিপুরগী মফম কয়াদা লিংখৎলম্বগী ৱারীশিং লাইরিক অসিদা হিষ্টরিকেল রেকোর্দকা কোন্ননা ইরি। তশেংনা বাইওগ্রাফি অসিদা হেমাম নীলমনিগী পুন্সি অমসুং থবকশিং অসি অসুক্কী মতিক শিংথানিংঙাই ওইরি।

মনিপুরদা ১৯৪৬কী ওক্টোবর ৪দা 'মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস' শেমখি। হেমাম নীলমনি ১৯৪৭কী জন্যুৱারীদা কোংগ্রেস য়াওখি। ১৯৫৭তা মহাক বিষ্ণুপুর-মোইরাং এ সীগী কোংগ্রেস টিকেটতা টি সী মেম্বর ওইনা থবক কয়া তৌখি। মরু ওইবদি মণিপুরগী মফম কয়াদা খুঙ্গংশিংদা অঙাংশিংবু লাইরিক মপূং ফানা তম্বা ফংনবা স্কুল কয়া লিংখৎপনি। মহাক্লা এম পি পি য়াওদুনা মণিপুরদা ষ্টেটহুদ ফংবা মতুংদা ইহান হান্না পাঙথোকপা এমেল্লি মীখলদা ভোট কাদুনা দেপ্যুটি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইবা মতমদা স্কুল কোলেজ কয়া লিংখৎলম্বসিমক চাউখ্রবা খুদোল অমনি। মসিগী মরীক চুম্লবা পাউদমশিং পাবা ফংবসিমক নুংঙাই। মীয়ামগী থৌগল তৌবদা হেন্না নুংঙাইজবা অদুগা কৎথোক্লিবমখৈ পেঞ্জবা হেমাম নীলমনি ১৯৮০গী মতমদদি পোলিটিক্সকী ৱাখল থাদোকখি অদুবু মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবদি লেপখিদে। ১৯৫৫-১৯৮৫ ফাওবা আই এন এ মার্টিয়রস মেমোরিয়েল কম্মিটিগী অহানবা কনভিনর অমসুং সেক্রেটরি ওইনা থবক কয়া তৌখি। ফ্রীদম ফাইটর অমা ওইনা ইন্দিয়াবু নীংখা তম্নবা হোৎনখিবা অদুগীদমক লেমজনীংঙাই ওইরবা 'তম্রা পত্র' পীখি। 'হিন্দি সেবক সারি' অমসুং গঙ্গা সারন সিংহ পুরুস্কারসু পীখি, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মশামক্লা নীলমনি হিন্দি লোন তম্বীনবা স্কুলশিংদা লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক্তা। লুচিংবা হেমাম নীলমনিনা খুন্নাইসিদা তৌরম্লিবা থবকশিং অমদি মহাক্কী মপাল নাইদ্রবা খুদোল অদুগীদমক্তা মহাকপু ইকায়খুম্নবা ওইনা মহাক্কী পোক্নফম লমদম মোইরাংদা মীতম অমদি শাদুনা খিনবা তঙাইফদে। ঐখোয়গী লময়ানবা লুচিংবশিংগী মীতম কয়া মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরক্লবা মতমদা মণিপুরসু চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইরক্কনি খল্লি। Douglas MacArthur না অসুম্না হায়খি "A true leader has the confidence to stand alone, the courage to make tough decisions, and the compassion to listen to the needs of others. He does not set out to be a leader, but becomes one by the equality of his actions and the integrity of his intent." হেমাম নীলমনিদি মণিপুর মীয়ামগী অশেংবা লুচিংবনি হায়বা মহাক্কী পুন্সি অমসুং থবক লোয়ননা বাইওগ্রাফি অসিনা লেংদ্রবা খুদমনি। মহাত্তি মণিপুর ইমাগী য়াইবীরেল অথোইবশিংগী মনুংদা অমনি।

অইবী তম্পাকলৈমনা অসুম্না মতম চানা শক্লাইরবা মীয়ামগী লুচিংবা অমগী পুন্সি ৱারীবু য়াম্না কূপ্না থিজিন্দুনা ঙসিগী মীরোলদা হৌখ্রবা পুৱারীগী কাউবা য়াররোইদবা তাঙ্কক অমা ইবিরকপসি য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইনি। লাইরিক অসিদা হেন্না পাবদা নুংঙাইনবা হেমাম নীলমনিনা তৌরম্বা থবকশিংগী ফোটোশিংসু য়াওরি। লাইরিক অসি কনাগুম্বা পুৱারীদা থিজিল্লিবা মহৈরোয়শিংনা হেন্না পাবদা নুংঙাইনবা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা অমসু মথংগী খূৎনমদা য়াওহন্নীংই অমসুং ইংলিসতসু মসি ট্রান্সলেসন তৌরবদি হেন্না কান্নগনি খল্লি।

*– তোংব্রম অমরজিৎ*

# যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী ঈশৈ ময়েক্তা তারিবা মমি - ৬

ঈশৈ ময়েক অসিনা পীরিবা পাউজেল অৱাংবা থাক্কী পাউজেলনি। অইবা অমগী মতিং লৈবা খোল্লাউনি।

মথংদা লৌখৎচরি, হীরম অমগী অপূনবা ঈশৈ ময়েক অনী।

নুংশি নুংওনগী সংসারদা, থম্মোয়-থম্মোয় অনীদা, কোক্ত্রবা মচু অমনা শঙনখ্রবা, পুন্সিগী তাঙ্কক অমগী, শেংলবা শক্তম অনীগী অহানবা ঈশৈ ময়েক।

শুক্লা মম্লবা অহিংসিদা
ফুইনা চুরিবা নোংজুসিদা
ঐ নঙবু নীংশিংলক্লি।
মীৎলুদা পিরাং শিন্থরক্লি।
নঙগী ঐগী হৌখ্রবা পুন্সি
মচু কয়াগী অয়ূক নুংথিল
থাবল ফরবা অহিং কয়া
ঙসি নোংজুনা নীংশিংহল্লি
মীৎলুদা পিরাং শিন্থরক্লি।
নঙনা চৎখিবা নুমিত্তুদি
অমম্বা অহিংসু নৎখিদে
ঙাল্লবা থাউমৈ মঙালদনি
ঙসি নোংজুনা নীংশিংহল্লি
মীৎলুদা পিরাং শিন্থরক্লি।

শুক্লা মম্লবা নোংখোঙ ফুইরবা নোংজু অহিং অমদা, মতম অমগী নুংশি খোঙলোই ওইরম্বী, মহাক্তুবু অচিকপসিদা মদোম নীংশিংলকপনি। নোংজু অহিং অসিগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা, নোংজু অহিং ওইবতা নত্তনা, অতোপ্পা ঈশৈ ময়েক "অহিংগী নোংজুদা চোৎনা চোৎনা" হায়না শৈহৌবা অমগীসুনি। অহানবা ঈশৈ ময়েক অসিদনা, স্থায়িদগী অরোইবা অন্তরা ফাওবা, মিৎলুগী নোংজু লোয়নরি, অদুনা নোংজু অহিং, অচম্বা নোংজু অহিং নত্তে, মিৎলুদা শিন্থরক্লিবা পিরাং অচম্বা পিরাং নত্তে, খাঙমদনা খাঙহৌরবা থম্মোয়গী চৈনাখোলনি কল্লবা। হৌখ্রবা য়েন্নিং থা অমগী পুন্সিদা, নুংশি-ইচেল তুংইন্না, তোরৈ কয়া লান্না চেন্থমিন্নরকখিবা অয়ূক নুংথিল, থাবল ফরবা অহিং কয়া-কয়া লোয়নরকখিবা, অসুম্না লোয়নরকখিবা কয়াদু নোংজু অহিং অসিনা মথং মথং চিংথোরক্লি অহানবদা শকখঙনরকপা নুংশি শৈহৌ, অনীশুবদা শৈহৌসিগী তুংগী খোঙচৎ, অহুমশুবদা মখোয়নি অমতা ওইখিবা পূম্নমক অসিনি। নুংশিনবগী সংসারদা মখোয়নিগী মচু শঙলবা নোংজু অহিংসে, মপোকসিদা মৈতান্না ৱাখৈদ্রিফাও থম্মোয়দা লৈরগদবা নোংজুনি।

অরোইবা অন্তরাদা থম্লক্লিবসিনা, অসিগুম্বা মিকুপ লাক্কনি খন্দনা, নুংশিগী মঙলান্দা খোঙদারুবা, ইনখৎলকপা পুন্সিগী নুংশিনবনি। অসিগুম্বা নুংশিনবসিদি, নুংশিরুরিবদুতনি নীংনরিবসে। ঙসিদি অদুগুম্বা মঙলান্দু অরেম্বা ওইখরে। হাঙহৌরবা থম্মোয়গী অহাঙবদু, মহুৎ শিনবা য়াদনা হাংবগী লেংদ্রবা শক্তমনি, "ঙসিগী নোংজুনা নীংশিংহল্লি। মিৎলুদা পিরাং শিন্থরক্লি" হায়রক্লিবসে। নুংশিনবদি কায়নবা থুংনবা অনীগী খোঙচৎনি। থুংনবগীনা, অনৌবা সংসার অমগী লম্বীদা খূৎশম্নখিবা, কায়নবগীনা অমম্বা সংসার অমদা মিৎকী পিনা ৱাখৈহৌবনি। তশেংনমক ঈশৈ ময়েকসিগী পিরাং, মিৎকী পিনা ৱাখৈবা নুংশিন্নবশিংগী সংসারগীনি।

মিৎকী পিনা ৱাখৈখ্রবগী মখা তারকপা ঈশৈ ময়েক 'অহিংগী নোংজুদা চোৎনা চোৎনা' হায়বসি অমুক লৌখৎচরি।

অহিংগী নোংজুদা চোৎনা চোৎনা
নঙগী থোঙজিন্দা য়ৌরক্লে ঐ
তাইবঙ মীনোকসু চিংনদনা
নঙগী ননাক্তা লেপ্লরে ঐ।
নঙবু কপহল্লে ঙসিসু অমুক
পিরাং শিন্থরে নঙগী মিৎলুদা
অৱাবনা থল্লে নঙগী শক্তমদো
ঐ অমুক হল্লগে ৱাখল থোক্তরে।
নুংশিবগী মহাউ লৈহীগুম্বনি
অপঙবা কনানা হায়রম্লিবনো
নঙগী ঐগীদি থুম্লবা হূনি
করিগী হঞ্জিন হঞ্জিন থক্লিংহনবনো।

ঈশৈ ময়েকসি, মথক্কী ময়েক অসিগী মখা তারকপা ওইবনা, ময়েক অসিদসু নোংজু অহিং লোয়নদুনতা লৈরদবা নোংজু অহিং ওইবনা অদুম লোয়নরি। অদুনা লাক্লিবা খোঙফমসিসু নোংজু অহিংদনি হায়বসে স্থায়িদা লেংদনা লৈরি।

অহিংগী নোংজুদা চোৎনা চোৎনা
নঙগী থোঙজিন্দা য়ৌক্লে ঐ

নোংজু অহিংদা লাক্লিবা মহাক্লা, অহানবা ঈশৈ ময়েক্কী অন্তরাদদি লমলানবী ওইখ্রবীনি হায়বসে ময়েক শেংনা হায়খ্রবনি, মদুদি মসিনি।

*– শঙলাকপম অচৌ শর্ম্মা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।